# স্মিৃটি স্থালদা অটল বিহারী বাজপায়ীগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে লৈবাক অসিনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মাংজবা অমা মায়োক্লরে : মোদি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

রাষ্ট্রিয়া স্মিৃটি স্থালদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মোর্দন ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মশক নাইরবা লুচিংবা অটল বিহারী বাজপায়ীগী অরোইব মথৌ মঙম ঙসি নুমীদাংৱাইরম পাঙথোকখ্রে।

ভেটরান লিদর অদু মতম শাংনা লায়কন্নদুনা লৈরম্লবা মতুং শগোলশেন নুমীৎকী নুমীদাংৱাইরম পুং ৫.০৫ চৎপদা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) তা লৈখিদবনি। লুচিংবা অদুনা লৈখিদবদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং লৈবাক অসিগী লুচিংবা কয়া লোয়নন্না মালেমগী লুচিংবা কয়ানসু অটল বিহারী বাজপায়ীগী মফমদা অরোইবা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতগী লৈখিদ্রবা লুচিংবা অদুগী হকচাং ন্যু দিল্লিগী ৬-এ কৃষ্ণ মেনন মার্গতা লৈবা মশাগী য়ুমদা পুথরকখি। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী মশিং য়াম্লবা মীওই কয়ানা লুচিংবা অদুগী মফমদা অরোইবা ঈকায় খুম্নবা উৎনন-বগীদমক লাক্লখি। দিল্লি পুলিসনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনখি। অহুম্লক হন্না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্লবা অটল বিহারী বাজপায়ীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা লাকপদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লুচিংবা অমিট শাহনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, লুচিংবা অদু শিবা নাইররোইদবা মিংচৎকা লোয়নবা মীওইনি। মহাকপু লৈবাক অসিনা মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, লুচিংবা অদুনা লৈখিদবদা লৈবাক অসিগী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মফম অমা হাংদুনা লৈহৌরগনি। মহাক লোইশিনখিবা অসিনা যুগ অমা লোইশিনখিবগুম ফাওহল্লে। লুচিংবা অদুনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। মহাক্কী মফমদা অরোইবা ওইনা ঈকায় খুম্নবা উৎলি হায়রি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদুগী লৈফমদা মীয়াম অমসুং ভি আই পিশিংনা অরোইবা ঈকায় খুম্নবা উৎননবগীদমক মফম অদু হাংদোক্তুনা থমখি। লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরালনা কুপ্লিবা মুৎপা নাইররোইদবা মিংচৎকা লোয়নবা লুচিংবা অদুগী মফমদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না ঈকায় খুম্নবা উৎখি। পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা থমদনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়ানসু লৈখিদ্রবা লুচিংবা অদুগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মহাকপু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টনা নুমীৎ তরেৎনি চুপ্পা অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে। হায়রিবা মতম অদুদা লৈবাক অসিগী ফিরাল তংখায় চিংথদুনা অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়রি।

লুচিংবা অদুনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপা ওইনা লৈঙাক্কী ওফিসশিং ঙসি ছুটি তংখায় থাখি। ভাইস প্রসিদেন্ট ভেংকয়া নাইদু, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহোন সিংহ, কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনচিংবা লুচিংবা কয়ানা স্মিৃটি স্থালদা অরোইবা ওইনা লুচিংবা অদুগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

অটল বিহারী বাজপায়ীনা লৈখিদবদা মাওরিসসকী প্রাইম মিনিষ্টর প্রবিন কুমার যগনোথনা লৈবাক অদুগী ফিরাল তংখায় চিংথদুনা অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়না লাউথোকখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মাওরিসসকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা ফিরাল তংখায় চিংথদুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী ৱাঙাঙলোয় রভিস কুমারনা হায়, থোক্লিবা থৌদোক অসি থাজদবা অমনি। অৱাবা মীকুপ অসিদা শরুক য়ারি। মাওরিসস লৈঙাক্না ইন্দিয়াগী লুচিংবা অমা লৈখিদবগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়নন্না লৈবাক অদুগী ফিরাল তংখায় চিংথদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎলি হায়খি।

অটল বিহারী বাজপায়ীগী মচানুপীনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি। সোনালি বেন্দ্রিগী মচানুপা রনবির বেহলনা হায়, লৈবাক অসিগী মীয়াম্না লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদুগী স্মিৃটি স্থালদা পাঙথোকপা অরোইবা মথৌ মঙম থৌরমদা মতেং পাংবীখিবা অমদি শরুক য়াবীখিব-শিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়খি।

ৱাখল লৈবা অমদি শিংথানিংঙাই ওইরবা লুচিংবা অদুনা লৈখিদবদা মোদিনা হায়, বাজপায়ী লৈখিদবা অদুনা মহাক্কী ওইনদি হেন্না মাংজবা অমনি। লোয়নন্না মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনি হায়খি।

# লুপা লাখ ১০ লৌরম্বা অমা সী বি আইনা ফারে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): পঞ্জাব পুলিসকী ফেরোজপুরদা মথৌ তৌবা ইন্সপেক্টর জেনরেল অমগী মিংদা লুপা লাখ ১০ গী শেনফম লৌরম্বনি হায়বা মিদল মেন অমা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না ফারে হায়না ঙসি ওফিসল ওইবা পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

থবক্তগী পোথাখ্রবা ভিজিলেন্স ব্যুরো পটিয়ালাগী এস এস পিনা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকপদগী সী বি আইনা কেস অদু থিগৎপা হৌরকখিবনি। মীওই অদুবু অরানবা মওংদা মীওই খরনা মিং শীজিন্নদুনা শেঞ্জা-থুমজা তৌরে হায়বা ৱাকৎ অদু স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা থিগৎহনবীনবা হায়জরকখি। মদুগী মতুংইন্না সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসনগী অখন্নবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অদুনা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকখিবা মীওই অদুগী য়ুমদা থি-হুন্বগী থবক চথবদা চে-চাং অমসুং মরী লৈনবা পোৎলমশিং ফাগৎখি হায়না সী বি আইগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মীওই অমগী কেস অমা ককথৎপীগনি হায়বা অরানবা ৱাফমদা থাজহন্দুনা য়াম্লবা শেনফম অদু পীননবা দিমান্দ তৌরম্বনি হায়রি। কেস অদুগা মরী লৈননা থিগৎপগা লোয়নন্না অশোক গোয়েল কৌবা মীওই অমা লুধিয়ানাদগী ফাগৎখি। মহাক্না ফেরোজপুর রেঞ্জগী আই জি পিগী মিংদা লুপা লাখ ১০ লৌরমখিবনি হায়রি।

# সেল্টর হোম কেসকা মরী লৈননা হান্নগী মিনিষ্টর মঞ্জু বর্মাগী য়ুমদা রেদ চথখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

মুজাফরপুর সেল্টর হোম কেসকা মরী লৈননা বিহারগী হান্নগী মিনিষ্টর মঞ্জু বর্মাগী য়ুমদা ঙসি অয়ুক সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না থি-হুন্বগী থবক চথখ্রে।

সী বি আইনা ঙসি হান্নগী মিনিষ্টর অদুগী লৈফমনি হায়বা মফম মঙাদা থি-হুন্বগী থবক অদু চথখিবনি। মদুতা নত্তনা কেস অদুদা চাউনা চেন্নরিবা ব্রজেস থাকুরগী মফম তরেৎতসু থি-হুন্বগী থবক চথখি। ব্রজেস কুমার সেল্টর হোম অদুবু লিংখৎপা মীওইনি। মহাক্কী মরুপ-মপাংশিং অমসুং মরী-মতাশিংগী য়াওনা মফম তরেৎতা থি-হুন্বগী থবক চথখ্রে।

হান্নগী সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর মঞ্জু বর্মাগী পত্না, মোটিহারি অমসুং ভাগলপুরদা লৈবা মফমশিংদা সী বি আইনা অকনবা মওংদা য়েংশিনবগী থবক চথখি। মুজাফরপুর সেল্টর হোমদা লৈবা অঙাং নুপীমচাশিংদা সেক্সুএল এব্যুজ চথখি হায়বগী কেস অদুদা মঞ্জু বর্মাগী মপুরোইবা চেন্নরকপনা মরম ওইরগা মহাক মমাঙ থাদা ফম থাদোকখিবনি। কেস অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা মীশক ব্রজেস থাকুরগা মহাক্কী মপুরোইবগা কয়ারক হন্না ফোন্দা ৱারী শানখিবগী রেকোর্দ ফংখি হায়রি।

# কুমগী নোংনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট তরেৎতা ঈচাউ থোকহন্দুনা শিহনখিবা মীগী মশিং ৮৬৮ শুখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

চহী অসিদা কুমগী নোংনা ষ্টেট তরেৎতা ঈচাউ থোকহনখ্রে। নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮৬৮ কী পুন্সি মাংখ্রে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোর-কপদা, নেসনল ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স সেন্টর (এন ঈ আর সী)গী রেকোর্দ মতুংইন্না কেরলা খক্তদা মীওই ২৪৭ শিখ্রে। ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪ দা নোং অমসুং নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই লাখ ২.১১ অৱাবা নংহল্লে। দিষ্ট্রিক্ট ১৪ দা লৈবা মহৈ-মরোং থাবা লম হেক্তর ৩২,৫০০ ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, মহারাষ্ট্রা, গুজরাত, অসাম অমসুং নাগালেন্দদসু নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং অমসুং চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। উত্তর প্রদেশতা মীওই ১৯১ শিখ্রে, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ১৮৩, মহারাষ্ট্রাদা ১৩৯, গুজরাত্তা ৫২, অসামদা ৪৫ অমসুং নাগালেন্দদা ১১ শিখ্রে হায়রি।

মীওই ৮৬৮ লৈখিদ্রে হায়বগী রেকোর্দ ফংলে। লোয়নন্না মীওই ৩৩ না থিবা খঙখিদ্রে হায়রি। নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা পুন্না মীওই ২৭৪ না অশোক অপন নংখি। মখোয় মনাক নকপা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মহারাষ্ট্রাগী দিষ্ট্রিক্ট ২৬, অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ২৩, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিষ্ট্রিক্ট ২৩, কেরলাগী ১৪, উত্তর প্রদেশকী ১৩ দা চাউনা অকায়বা থোকহল্লে। কেরলাগী ওইনা হৌজিক হৌজিক নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম ৪৩ না অৱাবা নংলবা মীওইশিং মতেং পাংনবা হোৎনরি। মীওই লাখ ২ রোম তোঙান তোঙানবা কেরলাগী মফমশিংদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি। মী কন্ননব-গীদমক ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী হেলিকোপ্টর ২৩ অমসুং ট্রান্সপোর্ট প্লেন ১১ শীজিন্নরি হায়রি।

# গ্রেনেদ এটেক্তা মীচম মরি শোক্লে পুলৱামাদা নুপী অমা হাৎলল্লে

শ্রীনগর, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী অৱান্টিপোরাদা লৈবা পুলিস ইন্সটোলেসন অমদা টেররিষ্টশিংনা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চথরকপদা মীচম মরি শোকখ্রে।

টেররিষ্টশিং অদুনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ইন্সটোলেসন অদু তম্না হেন্দ গ্রেনেদ লংশিল্লকপদা শোয়বদগী গ্রেনেদ অদু মীয়াম চৎনরিবা লম্বীদা তাশিন্দুনা পোকখায়খিবনি। থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মখোয় হৌজিক পুলৱামাদা লৈবা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না টেররিষ্ট-শিংনা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চথরকখিবা অদুদা মীচম মরি অশোক অপন নংখি। শোক্লবা মীওই অমগী ফীভম লুবগা লোয়নন্না হেন্না ফবা খুদোংচাবা লৈবা হোস্পিটালদা থংদোক্তুনা লায়কন্নখ্রে। এটেক অদু করম্বা কাঙবুনা চথরমখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। লোয়নন্না লূপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি। নাকল অমরোমদা, হিজবুল মুজাহিদিনগী টেররিষ্টনি চিংনবশিংনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি নুপী অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলল্লে। লৈখিদ্রবী সমিমা বানো কৌবী নুপী অদু পুলৱামাগী দ্রবাগামগী ক্লিলদা লৈবনি। টেররিষ্টশিং অদুনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্লবা নুপী অদু লমদম অদুগী মীয়াম্না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক হোস্পিটা-লগী ডোক্তরশিংনা মহাক শিনা পুরক্লে হায়না লাউথোরকখি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না নুপী অদু হিজবুল মুজাহিদিনগী টেররিষ্টশিংনা হাৎলম্বা ওইগনি। লোনা অথিংবা থমখ্রবা হিজবুল মুজাহিদিন লমদম অদুদা মপাঙ্গল কন্না ওপরেট তৌরিবনি হায়রি। পুলৱামাগী পুলিস ইন্সটোলেসন অমদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চথরকখিবা অদুসু হিজবুল মুজাহিদিনগী টেররিষ্টশিংনা চথরকপা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি। জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা টেররিষ্টশিংনা মীচম কয়াগী লন-থুম অমদি পুন্সি কয়া মাংহল্লি।

# রাজিব গান্ধী মীহাৎকা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ ওক্টোবর থাদা হিয়ারিং চথরগনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

রাজিব গান্ধী মীহাৎকা মরী লৈননা ফাদোক তাদুনা লৈরিবা মীওই অমনা ৱাকৎলকখিবা অমা সুপ্রীম কোর্টনা ওক্টোবর থাদা হিয়ারিং চথরগনি।

সী বি আইনা লুচিংবা মল্টি দিসিপ্লিনরি মোনিটরিং এজেন্সী (এম দি এম এ) না লৌতুনবা মীহাৎ অদুগী মতাংদা থিগৎখিবনি। এম দি এম এ কুমজা ১৯৯৮ তা লিংখৎতুনা কুমজা ১৯৯১ গী মে ২১ দা তামিল নাদুগী শ্রীপেরুমবুদুরদা সুইসাইদ বোম এটেক চথরক্তুনা রাজিব গান্ধী হাৎখিবগী কেস অদু থিগৎলকখিবনি।

ইলেক্সনগা মরী লৈননা পাঙথো-কপা মীফম অমদা মশা শিজদুনা বোম পোকখায়হল্লকখিবা মীওই অদু ধনু কৌবা নুপী অমনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। থৌদোক অদুদা ধনু মশামক য়াওনা মীওই ১৪ গী পুন্সি মাংখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা মকোক থোংবা লুচিংবা অমদা সুইসাইদ বোম এটেক চথরকখিবা থৌদোক অদুনা অহানবা ওইখি। থৌদোক অদুদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজিব গান্ধী শিখি। জষ্টিস এম সী জেন কম্মিসনন্না কেস অদু এম দি এম এদা শিন্নদুনা থিগৎখি। সী বি আইনা লুচিংবা এজেন্সী অদুনা রাজিব গান্ধীগী লৌতুনবা মীহাৎ অদু থিগৎতুনা লাকখি। থিগৎলিবা টিম অদুদা ইনফোর্মেসন ব্যুরো, রো, রেভিন্যু ইন্টিল্লিজেন্স অমসুং অতোপ্পা এজেন্সী কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

কেস অদুগা মরী লৈননা ফাদোক তাদুনা লৈরিবা মীওই অমনা জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, নভিন সিংহ অমসুং কে এম জোসেফকী বেঞ্চতা ৱাকৎলকখিবনি। লোয়নন্না কেস অদু ওক্টোবর থাদা হিয়ারিং চথরগনি হায়না সুপ্রীম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। এ জি পারারিভলন কৌবা চহী ৪৫ রোম শুরবা অমসুং মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক তারবা মীওই অদুনা মঙোন্দা পীরিবা চৈরাক অদু হন্থবীনবা হায়জরকখিবনি হায়রি।

# সিটিজন্স লিষ্টতা য়াওদবশিং দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী খঙহল্লক্কদবনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী)গী দ্রাফ্ট লিষ্টতা মিং য়াওখিদবশিং দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চাদা পাথোক্লগা দেটাশিং পীরক্কদবনি হায়না এন আর সীগী কোওর্দিনেটরদা সুপ্রীম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমসুং আর এফ নরিমানগী বেঞ্চ অমনা এন আর সীদা হকথেংননা শরুক য়ারিবা ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, ওল অসাম মাইনোরিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন য়াওনা মরী লৈনবশিংনা চপ চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়নসু খঙহনখি।

এন আর সীগী কোওর্দিনেটর প্রতিপ হাজেলানা এন আর সী দ্রাফ্ট লিষ্টকী কোপিশিং পঞ্চায়ট ওফিস খুদিংমক্তসু ফংহনগদবনি। মীয়াম্না অদুগুম্বা লিষ্ট অদু লায়না য়েংবা য়ানন্নবগী খুদোংচাবা পীগদবনি হায়নসু খঙহনখি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এন আর সীগী ইস্যুগা মরী লৈননা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন তৌবগী ফোর্মশিং ওগষ্ট ২০ দগী মীয়ামদা মরাং কায়না ফংহনগদবনি হায়খি।

ওগষ্ট ৩০ দগী হৌনা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সনগী ফোর্মশিং অদু মীয়াম্না পীশিনবা য়াহনগদবনি। এন আর সীগী কেস অদু চৎলিবা থা অসিগী ২৮ দা অমুক হন্না হিয়ারিং চথগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। চৎলিবা থা অসিগী ১৪ দা সুপ্রীম কোর্টনা এন আর সী দ্রাফ্ট লিষ্টতা য়াওহৌদ্রবা মীওই লাখ ৪০ গী ময়েক শেংবা আইদেন্টিটি খোমজিন-গদবনি। লোয়নন্না ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন তৌবা য়াহনগদবনি হায়খি।

এন আর সী ফাইনেল লিষ্টকীদমক এপ্লাইদ তৌখ্রবা মীওইশিং মহৌশাগুম আধার নম্বর পীগদবনি। মখোয় লৈবাক অসিদা লৈরিবা লোনা য়াবা মীওই অমগুম লৌগদবনি। চপ চাবা লিষ্ট ফোঙলবা মতুংদা মীতোপশিং হলহনখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈগনি হায়রি।

# টেররিষ্টশিংগী মথক্তা পাকিষ্টান্না চপ চাবা থবক লৌখৎকনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা ঙমখৈ লান্না টেররিষ্টশিং চঙশিল্লকপগী ৱাফম অসি খ্বাইদগী মরুওইবা অমা ওইরি। ইন্দিয়ানা ঙৱাং পাকিষ্টান্দা হিরম অদুগী মতাংদা য়েংশিন্নবা খঙহনখি। পির পঞ্জল চীংশাং লান্না টেররিষ্টশিং চঙশিল্লক-পগী মশিং হেনগৎলক্লে। হিরম অদুগী মতাংদা পাকিষ্টান্না চপ চাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখি।

ইন্দিয়ন আর্মিগী পাউ মতুংইন্না মিলিটরি ওপরেসনগী দিরেক্টর জেনরেলনা লুচিংদুনা লৈবাক অনীগী লাম্নীশিং উনখি। নীং-খা তম্বা নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লবগা লোয়নন্না হিরম অদুগী মতাংদা ৱারী শানখি হায়রি।

পাকিষ্টানগী মিলিটরি ওপরেসন দিজিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল লান্না টেররিষ্টশিং চখোক চৎশিন তৌবগী থৌওংশিংদা পাকিষ্টান লাম্নীনা য়েংশিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়রি। লোয়নন্না নাকল অনীমক্না পুন্না এন্টি টেরর ওপরেসন চথনবসু ইনিদয়াগী মায়কৈদগী খঙহনখি হায়রি।

মীফম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবদা ঙমখৈ লান্না টেররিষ্টশিং চঙশিল্লকপগী ৱাথোক অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি খ্বাইদগী মরুওইবা ইস্যু অমনি। অৱাংথংবা পির পঞ্জল চীংশাং পরেং লান্না টেররিষ্টশিং চঙশিল্লকপগী মশিং হেনগৎলকপদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। মদুতা নত্তনা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী পরিংদসু টেররিষ্টশিং লানশিল্লকপা থিংনবা হোৎনবদা পাকিষ্টান্না চপ চাবা থৌদাং লৌবীনবসু খঙহনখি হায়রি। অৱাং থংবা কাশ্মিরগী গুরেজ লমদমদা হন্দক্তসু টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়ন আর্মি পর্সনেল মরি শিখিবসু লৈখ্রে। লাম্নীনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনর-কপশিং থিংনবা হোৎনবদা খুৎ থোক্লবদা লাম্নীশিং অদু শিখিবনি হায়রি।

# বাজপায়ীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা লাকখিবা স্বামী অগ্নিভেসতা মীয়াম্না বি জে পি ওফিস মনাক্তা এটেক তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারী বাজপায়ীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা লাকখিবা স্বামী অগ্নিভেসপু মীওই খরনা কোয়শিন্দুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি জে পি ওফিস মমাঙদা পামদবা থৌওংশিং চথখ্রে।

চহী ৭৯ শুরবা সোসল এক্টিভিষ্ট অদুদা এটেক চথরকপা হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। মমাঙদা ঝরখন্দগী মফম অমদা মীয়াম্না মহাকপু ফু-চৈবগী থৌওং চথখিবা লৈখ্রবনি। মদু বি জে পি ৱার্কর কয়ানা থোকহনখিবনি হায়বগী ৱাফমসু লৈরিবনি হায়রি।

ঙসি চথরকখিবা এটেক অদু লৈবাক অসিবু রুল তৌরিবা বি জে পি পার্টিগী ওফিস মমাঙদা থোকখিবনি। মফম অদুদা লৈবা সী সী টি ভি কেমেরাশিংগী রেকোর্দতা স্বামী অগ্নিভেসতা মীওই কয়ানা ইনবা অমসুং নাতৈ চাদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা চৈবা থেংনখি। মীওইশিং অদুনা মহাকপু মফম অদুদগী ইম্থোক্লবা হোৎনখি। মীওইশিং অদুনা ইনবা অমসুং পামদবা থৌওংশিং অদু চথরকপনা মরম ওইরগা মহাক্কী কোক্তা য়েৎলিবা কোয়েৎ নাম্থোকখি। নুপী অমনা মহাক্কী চেম্পল অদু পায়খৎতুনা স্বামী অদুদা ফুন্নবা শেম-শাদুনা লৈবা উখি হায়রি।

পুলিসনা স্বামী অগ্নিভেসপু মফম অদুদগী অশোয়-অঙাম য়াওদনা পুদুনা চৎখি। মফম অদুদা লৈরম্বা মীয়ামশিংনা মঙোন্দা এটেক চথনবা হোৎনরকখিবা অদুদগী কনবা ঙমহৌখি। স্বামী অদুনা ফোঙদোরক-খিবদা, মহাক লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারী বাজপায়ীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না মফম অদুদা চঙশিল্লকপদা মীওই খুৎপু অমনা মঙোন্দা এটেক চথরকখি। মখোয়না মহাক্কী কোয়েৎ তাহনখি হায়রি।

# কেরলাদা থোক্লিবা খুদোংথিবা থৌদোকসি অমুক্তা ওইখিদ্রিবা অমনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

কেরলাদা হৌজিক থোক্লিবা মহৌশাগী ওইবা ঈশিং-ঈচাউ অমসুং নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং অসি মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোক অমনি। ফীভম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীৎয়েং চঙবীনবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা তকশিনখ্রে।

কেরলাদা হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা ফীভম অমা মায়োক্লরে। লমদম অদুদা থোক্লিবা ফীভম অদু য়েংশিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হায়জরি। লাম্নী অমসুং নেভিগী মীওই মশিং হেন্না থাজিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মদুদা নত্তনা কেরলাদা মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা শাথিবা ফীভম অমা মায়োক্লরিবা অদুদা অখন্নবা শেল-থুমগী মতেং পীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

রাহুল গান্ধীনা মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা মতেং পাংবীনবা মীয়ামদা হায়জখিবসু লৈখ্রে। কেরলাদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা থৌদোক অদু লুম্না লৌই। মীওই লিশিং কয়া ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈখ্রে। রিলিফ কেম্প কয়াদা মী মশিং য়াম্না চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মখোয়গী নুংশিরবা ইমুং-মনুংগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। ওইরিবা ফীভম অসিদা চপ চাবা মতেং পীবগী তঙাইফদবা লৈরে। চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা চানবীদুনা মতেং পীবীয়ু। মদুনা অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা তেংবাং য়ৌবা ঙমহনগদৌরিবনি হায়খি।

কেরলাদা হৌজিক কুমগী নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই কয়া শিখ্রে। হৌজিকসু লমদম অদুদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলক্লি। মুলাপেরিয়র দামগী সটরশিং হাংদোকখিবনা মরম ওইরগা দাম অদুগী মখাদা চেনবা তুরেলশিংগী ঈমায় লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্লি। মদুনা তুরেলশিং অদুগী খোংবালদা খুন্দাবা মীওই লিশিং কয়াদা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহল্লে হায়রি।

কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারাইয়ি ভিজয়নন্না প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদা ষ্টেট অদুদা ওইরিবা ফীভম অদু য়েংশিনবীনবা হায়জখ্রে। ষ্টেট অদুগী ঈচাউগী ফীভম অদু অসুক্কী মতিক খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। খুঙ্গং কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। টেলিফোনগী খুথাংদা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর লোয়নন্না দিফেন্স মিনিষ্টরদা হিরম অদুগী মতাংদা খঙহনখ্রে। অহেনবা হেলিকোপ্টরশিং থাজিল্লক্তুনা খুদোংথিবা নংলবা মীয়াম মতেং পাংবীনবসু হায়জখ্রে হায়রি।

[illegible]/দশা য়েংজরি



মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়নন্না ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্নবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্নবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইম্খোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশেম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

*মীয়ামগী: জ্যোতিষ মহাঋষি*

**JM Dr Ph. Rajendra**

Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,

Academy Road, Imphal

HL-P/5205/10/8-9/9